# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 49, Issue No. 198 | য়ুমশকৈশা, হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, October 22, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# নবেম্বর ২৫, ২০২৪দা লৈমখোংগী আর্মি কেম্পতগী মাঙখিবা লাইশ্রম কমলবাবু চহী ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্না মফম খঙহন্দ্রি



মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মফম খঙহন্দ্রিবা লাইশ্রম কমলবাবুনা হিংলিঙৈ (ফাইল ফোটো)



অক্টোবর ২১, ২০২৫গী নুমিদাংৱাইরমদা বেলারানিনা মচানুপাগা নম্মীন্নবা ফোটো

## হৌজিক ফাওবদা মহাক্না শেৎ-চাখিবা ফিরোলগী মচেৎ অমত্তা ফাওবা ফংহন্দ্রি, লুপা ১ ফাওবগী মতেং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পীরক্ত্রি, প্রাইভেট স্কুল অমগী অঙাংশিং শেন্নবগীদমক থাদা লুপা লিশীং ৩ ফংবদুনা ইচা মহৈ তমহল্লি, ইমা-ইচা চারি : বেলারানি

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী লমহেন-তুহেনবা কুকি-জোশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্ট খক্তা নত্তনা মপান লৈবাক্তগী নারোলদা চঙশিল্লকপা খূৎলায় পায়বশিংগা ফাওবা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা চথুরকখিবা তমথীরবা লানগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লিঙৈগী চৈরক মমাঙ চহী ২০২৪গী নবেম্বর ২৫দা লৈমখোংদা লৈবা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজন (সী/ও ৯৯-এ পি ও লৈমখোং আর্মি কেম্প) দা চঙখিবদগী মফম খঙখিদবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইপুরদগী লাইশ্রম কমলবাবু (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল কুমারধোনগী লংলা-লংজিন হৌজিক ফাওবদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুথোকপা ঙমদ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না মফম খঙহন্দ্রিবা এল কমলবাবুগা পোকমিন্নবা মনাওনুপা এল ব্রজবান্সিনা পিটিশ্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিশন (ক্রিমিনেল) নম্বর ২০ ওফ ২০২৪ (এল ব্রজবান্সি ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ অদরস) ফাইল তৌরক্তুনা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথুরকখ্রে। ক্রিমিনেল রিট পিটিশন অসিগী অহানবা ৱায়েল নবেম্বর ২৭, ২০২৪দা চথখিবনি।

এল কমলবাবুগী থৌদোক অসিগী মতাংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎপদা নত্তনা কোকোকোম (কোওর্দিনেশন কম্মিটি ওন ক্রাইসিস ওফ মীতৈ/মণিপুরী) কছার, অসামগী মীৎয়েং মখাদা কছারগী এস পিগী ওফিসতা মিসিং রিপোর্ট অমা ফাইল তৌবসু লৈখি অদুগা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা 'জে এ সী এগেনষ্ট দি মিসিং ওফ লাইশ্রম কমলবাবু' কৌবা অমসু শেমদুনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিনখি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুং চহী ফাগদবা শুপ্নতগী ঙসিগা থানা নুমিৎ ৩৬নি খক্তমক ঙাইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অমত্তদগী এল কমলবাবু হিংলি নৎত্রগা লৈখিদ্রে হায়বা য়াওনা মহাকপু অসুক শাংলবা মতম অসিগী মনুংদা মহাক্কী লংলা-লংজিন অমত্তা খঙবা ঙল্লক্তবদগী পাউচে অসিনা মহাক্কী লোয়নবী (লাইশ্রম ওংবী বেলারানি) গা ঙসি টেলিফোনদা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, মফম খঙদ্রিবা ঐগী ইপুরোইবগী লৈফম্না কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইপুরদনি। ঐগী ইপাম্না কছার দিষ্ট্রিক্টকী নাগদিরগ্রাম পার্ট টুদনি। নুপা ময়ূমগা ইপামগগী মরক্তা কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্লে।

ইপুরোইবনা লৈমখোংগী আর্মি কেম্প মনুংদা থবক শুবা এম/এস এল বিনোদ কন্সত্রক্সন কম্পনিগী সুপরভাইজর ওইদুনা লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায়দা লৈখিবনিনা ইচানুপা অসিদি ঐগী ইপামগা নক্না লৈবা প্রাইভেট স্কুল অমদা তম্বনিনা নুপা ময়ূমদগী ইচানুপানা স্কুল কাথোক-কাশিন তৌবদা খুদোং চাদবদগী ইপামদা অদুমক লৈরকখিবনি। অদুগা ইপুরোইববু মফম খঙহনখিদবা থৌদোক্তগীসু মখা তানা হৌজিকসু ইপামদা লৈরক্লি।

ইপুরোইবগী মতাংদা কোর্টতা কেস তৌবা য়াওনা মহাক্কী খোঙ্গুল লীবীনবা হোৎনখিবা পূম্নমক ঙসি ফাওবদা অরেম্বা ওইরি। ঐগী ৱাখলদদি হৌজিক চহী ফাজি ল্লক্কদৌরবা ফাওবদা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ইপুরোইবদু শোয়দনা হল্লকখিগনি হায়না খন্দুনতা লৈ। অদুবু ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইপুরোইবনা শেৎ-চাখিবা ফিরোলশিংগী মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ফংহনবা ঙমদ্রি। তশেংনা ইপুরোইবদু লৈখিদ্রে হায়বসু হায়বীদ্রি। মহাক্না নবেম্বর ২৫, ২০২৪গী অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা মহৌশাগুম্না লৈমখোংগী আর্মি কেম্প মনুংদা মহাক্কী মথৌ পাঙথোক্লবা চঙবদা তোংখিবা হোন্দা এক্টিভা (এম এন-০১/এন-৭৭২৩, লাইট পিঙ্ক কলর) অমসুং ইপুরোইবনা পায়খিবা মোবাইল ফোন (নম্বর ৯৮৬২৪০৮১৬৩) সু হৌজিক ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা হায়জ-চৎচবা য়াবা মফমশিংদা হায়জদুনা লাক্লবসু মতেং অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবদা লুপা ১গী মতেং পীরক্তে। মরম অসিনা ইচানুপানা তম্লিবা প্রাইভেট স্কুল অসিদা ঐসু শুপ্নতগী থা অমদা লুপা লিশীং ৩ খক ফংদুনা স্কুল অসিগী অঙাংশিং শেন্নবগী থবক তৌরি। ফংলক্লিবা শেনফম অসিনা ইচাগী মহৈ-মশিং তম্বা য়াওনা ইমা-ইচাগী হিংনবগী পাম্বৈ ওইরি হায়না খুল্লকখি। হৌজিক মীতৈ ফূরুপকী ওইনা চহী অমদা অমুক্তমক পাঙথোকপা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম য়ৌরক্লবসু ঐগী পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইতবনিনা ইপামগী মীওইশিংদা চাক্কৌবীগনু হায়খ্রে। ঐঙোন্দা হৌজিক নুংঙাইরবা নিঙোল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

রিলিফ কেম্প খরদদি ঙা মথেল ১ চারগা শমজিনগদৌরি

# নাগা নিঙোল ওইরবসু চাক্কৌবা চৎনীংই অদুবু চীংদা ইপাম ওইবনিনা চৎপা ফংলরোই

‘নিঙোল চাক্কৌবা’ লাকপদা রিলিফ কেম্পতা চহী ২ হেন্না চঙজফম লৌরক্লিবী মণিপুরগী নিঙোলশিংগী তেংথা



**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী মীয়াম হুপ্না শরুক য়াবা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবা লাকপদা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মণিপুরগী লাননা মরম ওইরদুনা চহী অনী হেন্না রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী নিঙোল খরগা হকথেংননা উন্নরুবদা কাংচুপ চীংখোঙদা লৈবা মীতৈ অমদা ময়ূম পাল্লকখিবী চীঙ্খোমময়ূম ওংবী চৱাং জুমানলিয়ু (৩৯) না হায়, মমাঙ চহীদদি অরাম্বাই তেঙ্গোলগী ইবুং ইপ্বাশিংনা চাক কৌবীদুনা পূন্না চৎলুই। হন্দক চহীদসু নিঙোল ওইবীশিংনা মাগী মাগী মপামদা অমদি খঙন-চান্নবশিংগীদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# দিৱালী-নিঙোল চাক্কৌবা : দুকানশিংনা নমথাক তৌদনবা মহৈরোয় লূপ তরুক্না দ্রাইভ চথখ্রে

**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** ঙসি পাঙথোক্লখিবা মৈগী কুম্মৈ (দিৱালী) অমসুং লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবগীদমক তোঙান তোঙানবা পোৎ চৈশিং লৈবা লাকপা মীওইশিংদা দুকান ফল্লিবা অমসুং লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা নমথাক তৌদুনা অহেনবা মমল লৌহন্দনবগীদমক মহৈরোয় লূপ তরুক্না ঙরাংদগী হৌরদুনা চথুরকখিবা দ্রাইভকী খোঙজং ঙসিসু মখা চথখ্রে।



এম এস এফ, দেসাম, কেএসএ, সুক, এইমস অমদি এমসুগী প্রসিদেন্টশিংগী মীৎয়েং মখাদা চথুরক্লিবা দ্রাইভ অসিগী মনুংদা নাগামপাল পরিংগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা দুকানশিং য়াওনা অতোপ্পা হোলসেলর অমদি রিটেলর ওইদুনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংসু কোনশিনখি।

দ্রাইভ অসি থা অসিগী ১৭তা ক্বাকৈথেলদা লৈবা এম এস এফকী ময়ায় লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী কোওর্দিনেটরসু ওইরিবা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট ঐচ রোশননা নিঙোল চাক্কৌবা অমদি ফূরুপ খুদিংমক্না পাঙথোক্লরিবা মরু ওইবা হৱাও কুম্মৈগী থৌরমশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মুইভাগী খোঙচৎ : উখ্রুল অমসুং হুংপুংগী দুকানশিং থোঙ লোনগদবনি : আই এম

**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস):** চহী ৫০ হেনবগী মতুংদা এন এস সী এন-আই এমগী অটো কিলোন্সর ওইরক্লিবা থুইঙালেং মুইভানা হয়েং মহাক্কী পোক্নফম লমদম ওইরিবা উখ্রুলগী সোমদালদা লৈবা য়ূমদা লাক্লবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসিগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিম (জি পি আর এন) গী ৱুং তাঙ্খুল রিজনগী সেক্রেটরিনা ঙসি থোকপা নোটিফিকেশন অমদা হয়েংগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস অমসুং হুংপুং ভিলেজদা লৈবা দুকানশিং হয়েং অয়ূক পুং ৬তগী থোঙ লোনগদবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুর থিএটর দে : আর কে সনাজাওবা অমদি য়ূম্নাম মনিদা মনা লান্থোকখ্রে




**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** থিএটর সেন্টর মণিপুরনা মমাঙগী চহীশিংদা পাঙথোরকপগুম ঙসি মণিপুর থিএটর দেগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মীওই অনীদা থিএটর সেন্টর এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

এৱার্দ অসি শক্নাইরবা এক্টর আর কে সনাজাওবদা ‘ললিৎ নীংশিং খুদোল ২০২৫’ লান্থোক্লগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

প্রোফেসর গাংমুমৈ কামৈগী মেমোরিএল লেকচর

## মে ৩, ২০২৩ অসি মণিপুরগী ‘রেদ-লেটর দে’ অমনি : প্রোফেসর জয়কুমার



**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** মতম অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইরম্বদা নত্তনা শক্নাইরবা ওজা অমসুং আইদিয়া ওফ মণিপুরদা মণিপুরগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা প্রোফেসর গাংমুমৈ কামৈগী মরিশুবা মেমোরিএল লেকচর পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লেকচর অসিদা ৱা ঙাঙখিবা খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটি (ইম্ফাল) গী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা মে ৩, ২০২৩ অসি মণিপুরদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক্কী পুৱারীদা ‘রেদ লেটর দে’ অমা ওইহৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গাংমুমৈ কামৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এন পি এফতা এন দি পি পি মর্জ তৌখ্রে নৈফিয়ু রিওবু এন পি এফকী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



**কোহিমা, অক্টোবর ২১ (এজেন্সী) :** নাগালেন্দ খক্তগী নত্তনা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী পুৱারীদা অচৌবা অহোংবা থৌদোক অমা ওইনা নাগালেন্দগী নেশনেলিষ্ট দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন দি পি পি) না এন পি এফতা মর্জ তৌখিবগা লোয়ননা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ডা. নৈফিয়ু রিওবু এন পি এফকী কুমজা ২০২৫দগী ২০৩০ ফাওবগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

এন পি এফতা লাক্লিবা অহোংবা অসি ঙসি পার্টি অসিগী ৬৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১৮দা এন দি পি পিনা এন পি এফতা মর্জ তৌবগী ৱাফম য়ান্নখ্রবসু ঙসি এন পি এফকী কুমওন থৌরম অসিদা ওফিশল ওইনা অয়াবা পীখিবনি।

কোহিমাদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা এন পি এফকী মপোক কুমওন থৌরম অসিদা পার্টি অসিগী এক্টিভ মেম্বর লিশীং ৫ হেনবনা শরুক য়াখি। লোয়ননা এন দি পি পিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# রিলিফ কেম্পতা কুইনা লৈহল্লকপা আই দি পিশিংগী মরক্তা ৱাখলগী লায়না মায়োক্লবা মীওইশিং মশীং য়াম্না য়াওরক্লব্রা চিংনরে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**মোরে খুনৌ লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯দগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)** আই দি পিশিংবু এৱ্রেনেস পীবা অমসুং ফ্রি মেন্টেল হেল্থ চেক-অপনচিংবা তৌখি। পাঙথোকখ্রিবা প্রোগ্রামশিং অসি খঙহৌদনা থোকখিবা তমথীবা থৌদোক্না ৱাখল পূক্নিং ৱাহল্লবা মীওইশিংদা মতেং অমদি সপোর্ট ফংহন্নবনি হায়বগী পান্দমদা পাঙথোক্লখিবনি।

অদুবু মোরে খুনৌ লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লাঙ্গোলগী নেশনল গেম ভিলেজ দা শাবা অলটর্নেটিভ হাউজিং কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা নাওরেম ইনাওবী (৬৭) কী ফীভম হকথেংনরুবদা নুংঙাইতবা পোকই।

মহাক্কী মচানুপানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, মে ৩, ২০২৩দগী ঐখোয়গী পাবুং অসি মোরেদা লৈরিঙৌদা কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা লান্দারকপদগী য়ূম থাদোক্তুনা অহানবদা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি। অদুগা লান হৌরকখিবা থাদুগী ৯দা ইম্ফাল য়ৌরকখিবনি।

ঐখোয়না অহানবদা অকাম্পাৎ রিলিফ কেম্পতা লৈখি অদুবু মফম অদু য়াম্না চিনবা মরম্না ঐহাক্কী পাবুংদি ইম্ফালদা ময়ূম পানখিবী মচানুপীগী য়ূমদা লৈখি। অদুবু ইচেগী য়ূমদা মতম খরা লৈজরগসু য়ূম কৈ মৈনা চাকহৌবগী ৱাখল নুংঙাইতবা অমদি ইমুং মনুংসু পূন্না লৈমিন্নবা ফংলক্তবগী নুংঙাইতবগা পূনশিল্লগা দিপ্রেশনগী লায়না মায়োক্লরকখি অমদি বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা নারকপদগী মতম খরা হোস্পিটালদা লায়েংলবা মতুংদা রিলিফ কেম্প অসিদা পূন্না লৈরকখিবনি হায়রি।

হৌজিক্তি মশাদা দিপ্রেশনগী খুদোংচাদবা লোয়নবগা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমসুং দাইবেটিসসু য়াওশিল্লকপনা লায়না অহূম অসি পূন্না শাগোন্নদুনা রিলিফ কেম্প অসিদা য়াম্না ৱানা লৈরি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্পতা লৈরবনিনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা শেল অমত্তা থোক্তবদগী অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লে। অদুবু ডাক্তরগী ওইনদি চাং নাইনা কেম্প অসিদা লাকপীদুনা য়েংশিনবীরি। ব্লদ প্রেসর অমদি দাইবেটিসকী অনাবদি ডাক্তরনা চেক-অপ লাকপদা অদুমক মথৌ তাবা হীদাক লাংথকশিং চান-থক্লবা লেম্না পীবিরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মখা তানা পীবিরক্তে। মরম অসিনা পাবুংগী অনাবা অসিগী ওইনা হীদাক লাংথক লৈনবা হোৎনবদা অতৈ অহেনবা করিসু তৌবা ঙমদ্রে হায়রকখি। (মথং-মথং)

দিৱালী : মৈগী কুম্মৈ

## মফম ১১দা ফায়র সর্ভিসনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি

**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না ঙসি নুমিদাংৱাইরম য়াচংলকপদগী হৌরদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং মরু ওইনা তম্পাক্কী এরিয়াশিংদা পাঙথোক্লখিবা দিৱালী : মৈগী কুম্মৈদগী থোকহন্নীংদবা মৈহৌ লাংপোকশিং থোরক্তনবা মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টকী পর্সনেলশিংনা মৈ মূথৎনবা তোঙান তোঙানবা মতমগা চুনবা খূৎশু-খূৎলায়শিংগা লোয়ননা মফম ১১দা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি।




তেরা কৈথেলদা ফায়র সর্ভিসগী পর্সনেলশিং

ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা মফম ১১দা ফায়র ফাইটিং ইক্বিপমেন্টশিং য়াওনা দিপ্লোই তৌখিবা মফমশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা কোনুং মমাঙ, খুরাই লমলোং কৈথেল অমসুং জেনিমস গেট, ইম্ফাল ৱেষ্টতা শীংজমৈ চীংঙামথক, ক্বাকৈথেল, খুয়াথোং, তেরা কৈথেল, চীংমৈরোং, উরিপোক, রিমস গেট, এম জি এভেন্যুনচিংবনি। ফায়রমেনশিংনা মতমগা চুনবা ইক্বিপমেন্টশিংগা লোয়ননা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

## কোয়বা লাকপা নহা অমা ঈশিংদা তাদুনা শিরে

**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস):** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট-টু মেলৈ তম্পাক্তা কোয়বা লাকপা পপাল মনীং লৈকায়দগী সাপম দলিন (২০) অপোকপা এস কুমার কৌবা নুপামচা অমা মেলৈ তম্পাক্কী পূখ্রিদা তাশিনবদগী কনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## দেঙ্গীগী কেস ৩০৩৭ শুরে

**ইম্ফাল, অক্টোবর ২১ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাংৱাইরম হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস ১৩ থেংনরে হায়রি।

নৌনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫